# হজারি অমসুং তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টতা মণিপুর পুলিস টিম সি, ঈ এস সি টিম এ, ক্রিপসা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস):
মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সি, ইষ্টর্ন স্পোর্টিং ক্লব (ঈ এস সি) টিম এ অমসুং ক্রিপসা নাওরেমথোং মায় পাকখ্রে।




ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সিনা কংলৈপাক পোলো ষ্টার ক্লব পাঞ্জল ৮–৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সিগী পাঞ্জলশিং অদু সলাম বাইকিংনা পাঞ্জল অনী, এস অবুংচানা পাঞ্জল অনী, টি ঐচ রোমেননা পাঞ্জল মরি চন্দুনা টিমদুগী পুন্না পাঞ্জল ৮ শুখি।

মেচ মায়থীহৌরবা কংলৈপাক পোলো ষ্টার ক্লবকী পাঞ্জল অহুম অদু এল ওকেন্দ্রো, নাওবী অমসুং সঞ্জয়না চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব (ঈ এস সি) টিম এ নোংমৈবুংনা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব টিম বি পাঞ্জল ১৩–২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদদা চাউনা মায় পাক্লপা ঈ এস সি টিমগী শান্নরোয়শিংগী য়াম্না হৈ শিংনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চখদুনা শান্নখি। ঈ এস সি টিম এগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা চক্রদগী হৌনা গোল মথং মথং চনশিনখি।

মেচ অদুগী অহানবা চক্রদা ঈ এস সি টিম এনা পাঞ্জল মরি চনখি। অনীশুবা চক্রদা পাঞ্জল অহুম, অহুমশুবা চক্রদা পাঞ্জল মঙা, মরিশুবা চক্রদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিমদুগী পুন্না পাঞ্জল ১৩ শুখি। টিমদুগী পাঞ্জলশিং অদু রোমেশনা পাঞ্জল মরি, প্রবিননা পাঞ্জল মঙা, সমানন্দনা পাঞ্জল অনী, মোমোচানা পাঞ্জল অনী চনখি।

মেচ মায়থীহৌরবা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব টিম বিগী পাঞ্জল অনী অদু এন জেল সিংহ অমসুং ঐচ প্রিতম্না চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা ক্রিপসা নাওরেমথোং অমসুং তেম্থা পোলো ক্লব অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা ক্রিপসানা তেম্থা পোলো ক্লব পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুগী মরিশুবা চক্র ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ২–২ চপ মান্ননা চন্দুনা লৈখিবনা মেচ অদুগী মায় পাকপা টিম খন্ননবগীদমক অহেনবা চক্র অমা হাপ্তুনা সদন দেঠকীদমক শান্নখি। মদুদা ক্রিপসাগী এস দিপকনা টিম অদুগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং অহানবা মেচ কে এম এম রাইদিং স্কুল টিম বি অমসুং চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব টিম এগা শান্নরগনি। অনীশুবা মেচ খুরাই পোলো ক্লব অমসুং মৈরাবা পোলো ক্লবকা শান্নগনি। অহুমশুবা মেচ ইম্ফাল রাইদিং ক্লব অমসুং নম্বুল মপাল পোলো ক্লব টিম এগা শান্নরগনি।

# মণিপুর হোকি লীগকী নুপাগী মেচতা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌ অমসুং মৈরা বাশিখোং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস):
মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা নুপা অমসুং নুপী সেনিয়র মণিপুর হোকি লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেচতা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌ অমসুং মৈরা বাশিখোং মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌনা ফার্ম ইম্ফাল গোল ৯–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা মতম পুম্বদা বোল পায়দুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চখুখি। এস ৱাই য়ু সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা টিমদুগী শান্নরোয় দেবেশ্বরনা গোল অহুম মেচকী ৪, ১০ অমসুং ২২ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় এল রিবান্দোনা গোল অহুম মেচকী ৯, ৩২ অমসুং ৩৮শুবা মিনিটতা চনখি। এস অমুজাওনা গোল অনী মেচকী ১১ অমসুং ১৯শুবা মিনিটতা চনখি। এস মন্তোসনা গোল অমা মেচকী ৩৭শুবা মিনিটতা চনখি।



ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা মৈরা বাশিখোংনা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপ গোল ৬–৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্ন খিদে। অদুবু মৈরাগী শান্নরোয়শিংনা তপ্ন া তপ্না লাকশিল্লকখিবনা গোল মথং মথং চন্দুনা টিমদুগী পুন্না গোল ৬ শুখি।

মায় পাক্লবা মৈরাগী গোলশিং অদু এস জঙ্কসন্না গোল অনী চনখি। বি যসোবন্ত, টি ঐচ অথৌবা, টি ঐচ তোম্পোক অমসুং টি ঐচ থোংলেননা গোল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পুন্না গোল ৬ শুখি। মায়থীহৌরবা ৱাই সি সি আই সিগী গোল অহুম অদু টি দেরেকনা গোল অনী চনখি। এস ঐচ বুধনা গোল অমা চনখি।

# থাও ষ্টেট মিনি, সব জুনিয়র ফুটবোলদা কে ৱাই এফ সি, দব্লিয়ু য়ু এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস): থাংমৈবন্দ এথলেটিক যুনিয়ন (থাও) না শিন্দুনা থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ৩০শুবা মিনি অমসুং ২৪ শুবা সব জুনিয়র থাও ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬–১৭ কী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী মেচতা কে ৱাই এফ সি মায় পাকখ্রে। চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপ্তা দব্লিয়ু য়ু এফ সি মায় পাকখ্রে।

টিম ১১ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা চহী ১৪ মখাগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে ৱাই এফ সিনা এস দব্লিয়ু সি গোল ৬–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা কে ৱাই এফ সিগী গোলশিং অদু এম দি ইজাৎনা গোল অনী, এম দি অস্লম, এম বিকেন, লাউরেন্স অমসুং এ ভাস্করনা গোল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পুন্না গোল ৬ শুখি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী মেচতা দব্লিয়ু য়ু এফ সিনা এন ৱাই সি গোল ২–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা দব্লিয়ু য়ু এফ সিগী অহানবা গোল অনাওনা মেচকী ১৮শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মহেশনা মেচকী ২৪শুবা মিনিটতা চনখি।




HL-B/3524,7,9....

# মিশিখোল খুরাইনা ইবোয়াইমা অমসুং প্যুনবতি মেমোরিএল ষ্টেট চৈবিগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ফেন্সিং হোলদা চথরকপা ৬ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং অরাম্বম প্যুনবতি মেমোরিএল অমদি ৩১ শুবা ষ্টেট লেভেল চৈবি চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মিশিখোল খুরাইনা পুন্না মেদল ২১ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা চৈবিগী য়ুনিট ১৫ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ২৬ তগী চথরকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মিশিখোল খুরাইনা গোল্ড মেদল ৯, সিলভর মেদল ৪, ব্রোঞ্জ মেদল ৮ পুন্না মেদল ২১ ফংখিবগা লোয়ননা অপুনবা পোইন্ট ৬৫ ফংলগা ওভরওল চেম্পিয়ন তাখি।

মিহুলসনা গোল্ড মেদল ৭, সিলভর মেদল ৬, ব্রোঞ্জ মেদল ৫ পুন্না মেদল ১৮ ফংদুনা রন্নরস–অপ তাখি। মিহুলসনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা অপুনবা মেদল মশিং ৫৮ ফংখি।

ঈ ঈ এনা গোল্ড মেদল ১, সিলভর মেদল ৬, ব্রোঞ্জ মেদল ১০ পুন্না মেদল ১৭ ফংখিবগা লোয়ননা অপুনবা পোইন্ট ৩৩ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মিশিখোলনা ট্রোফি অমসুং লুপা ১০,০০০ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নরস অপ তাখ্রবা মিহুলসনা ট্রোফি অমসুং লুপা ১০,০০০ গী শেলগী মনা ফংখি।

ঈ ঈ এনা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা ট্রোফি অমসুং লুপা ৫,০০০ গী শেলগী মনা ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা কিমাক্সকী লোংজম মোমোচানা বেষ্ট দিসিপ্লিন প্লেয়রগী মনা ফংখি। আই কে টি টি এ ককচিংনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফংখি। য়ু এফ ও ইতমগী তখেল্লম্বম নাওচানা বেষ্ট জুরি এৱার্দ ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী কন্সলটেন্ট ডা. আর কে নিমাই, রিটয়ার্দ আই এ এস, ওল মণিপুর চৈ এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওক্রম মংলেম, এসোসিএসন অসিগী এদভাইজর থিংবাইজম ইবোহনবী অমসুং কাঙবম শ্যামকিশ্বর মীতৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকখি।

# বি কে ত্রোফি টেনিস বোল ক্রিকেট

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস):
য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পুনা শিন্দুনা বামোন কম্পুদা লৈবা বামোন কম্পু ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চথরিবা তরেৎ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট বি কে ত্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মিক্স এলেভেন মহাবলিনা এল এম ৱাই সি কৈরাও ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদু মিক্স এলেভেন মহাবলিনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং তৌনবা খনখি। অহানবা বেট্টিং তৌখিবা এল এম ৱাই সি কৈরাওনা ওভর ১৫ মায়োক্লখিবদা সুপ্নগী রন ৮৯ লৌরগা আউট ওইখি। মদুগী পাউখুমদা মিক্স এলেভেননা ওভর ১৫ মায়োক্ল খিবদা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ৯০ লৌদুনা এল এম ৱাই সি কৈরাও ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা মিক্স এলেভেনগী চুমথাওনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

# খাগেম্বা টি–২০ ত্রোফিগী ফাইনেলদা কে কে ঐচ ৱাই সী ক্যামগৈ অমসুং ৱাই সি এম থেংনরগনি





ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস):
ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনর ক্লব, ক্যামগৈ হৈবোংমখোংনা শিন্দুনা চথরিবা অহানবা খাগেম্বা টি–২০ ত্রোফি ২০১৭ কী ফাইনেল ফেব্রুৱারী ৫ গী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা ৱাই সি এম মোংশাঙ্গৈ অমসুং কে কে ঐচ ৱাই সি ক্যামগৈ অনীনা শান্নরগনি।

টিম ১৪ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা হৌখিবা জানুৱারি ১৬ তগী চথরকখিবা খাগেম্বা টি–২০ ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৱাই সি এম মোংশাঙ্গৈনা আই এস এ থাংমৈবন্দ ৱিকেট ৩ দা মায়থীবা পীদুনা ৱাই সি এম মোংশাঙ্গৈ ফাইনেল চঙখিবনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবা ৱাই সি এম মোংশাঙ্গৈ অমসুং কে কে ঐচ ৱাই সি ক্যামগৈগী শান্নরোয়শিংনা টাইটল লৌনবগীদমক শেম শানখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ফাইনেল মেচ অদুদা আই এস এ থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। আই এস এ থাংমৈবন্দনা ওভর ১৫ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১০১ লৌখি। আই এস এ থাংমৈবন্দনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই সি এম মোংশাঙ্গৈনা ওভর ১৪.৪ মায়োক্লখিবা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১০৫ লৌদুনা আই এস এ থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৩ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা ৱাই সি এম মোংশাঙ্গৈগী দেবাননা ৱিকেট ৩ লৌখিবগা লোয়ননা রন ২২ (৪)সু লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com